# তরুকশুবা পন্দুপ

## ব্লারোইশিন

# তরুকশুবা পন্দুপ
# ৱারোইশিন

## ৱারোইশিন

অশাংবম মীনকেতন মণিপুরী মোর্দন পেরিওদকী মণিপুরী সাহিত্যগী খুৎমাবশিংগী মনুংদা মহাকস্নু তোমথিন ওইরবা মীশক অমনি হায়বসি থিসিস অসিগী অহানবা পন্দুপ ৱাহৌদোকতা নৈনখ্রে। মীনকেতনগী মতমগী সমাজ অসিদা নোংচুপলোনগী শিক্ষাগী প্রভাব, হিন্দুনাইজেসনগী চৎনলোনচৎ অমসুং য়েলহৌঙেগী মণিপুরী লাইনিং অসিনচিংবা মণিপুরী খুনাইগী পুকৈদা লৈরবা সাহিত্য অমসুং সংস্কৃতিগী মচলশিং অসিনা অশাংবম মীনকেতনগী পুন্সি অমসুং ৱাখল মীৎয়েংদা অকনবা শাফু পীরকখিবদগী থোরকখিবা সাহিত্যগী পোথোক অমসুং অশৈবা অসিগী ৱাখল মীৎয়েংনচিংবদু থিসিস অসিদা নৈনৈ । অসিগুম্বা নৈনমীৎয়েংশিং অসি মীনকেতননা মণিপুরী সাহিত্যদা তমলমবা খুদোলশিংদা মরু ওইবা মীৎয়েং থম্মী । মীনকেতনগী খুৎই অমসুং খুৎফোঙদোকতা নাইতোম তাবা মশাগী শৈলীনা মশাবু মশক তাকচবা মীশক অমনি হায়বসিসু থিসিস অসিদা মরিকচুন্না নৈনদুনা তাকলি । সাহিত্য হায়বসি সমাজকী পোৎথোক অমনি । মতম মতমগী সমাজকী অকোয়বগী ফিভম অদু মতম মতমগী অইবশিংদুগী খুৎইদা মমি তাই। মসিমক মীনকেতনগী সাহিত্য নৈনবা অসিদা ময়েকশেংনা তাকপা ঙমনবগী দমক মীনকেতনগী পুন্সি, শিনফম, সমাজ অমদি লাইনিংনচিংবগী মরমদা পন্দুপ অসিদা তাকলি। অসুন্না মীনকেতনবু মশক খঙনবা হোৎনবদা মরী লৈনবা মচাকশিং নিয়ম নাইবা মওংদা থিজিনদুনা পন্দুপ অসিদা মরিকচুন্না শন্দোকনা তাকলি।

থিসিস অসিগী অনীশুবা পন্দুপ অসিদা নেরেটিভস হায়বসিগী মরমদা মরিকচুন্না খঙবা ঙমনবগীদমক ফোকলোরিষ্টশিংনা থমলমবা মীৎয়েং ৰাখল্লোল অদু চিংশিন্দুনা তশেং তশেংবা ফোক নেরেটিভগী মশক অদু নৈনদুনা তাকলি। অসিগা লোয়ননা মালেমগী ফোকলোরিষ্টশিংনা পীরম্বা ফোক নেরেটিভসগী মশক অদুদা যুম্ফম ওইরগা মণিপুরী ফোক নেরেটিভসগী মচাক মরলশিং অদু মতৌ করম্না শীজিন্নবগে হায়বদু মচা খায়না তাকপা ঙমনবগী দমকতনি। থিসিস অসিগী নৈনপরিং অসিদা চৎথরিবা মওং অসি সাহিত্য অমসুং লোক সাহিত্য অনীগী লৈনবা মরীরোমদা হেন্না মীৎয়েং চঙশিনবনা মখল অনী অসিগী সাহিত্যগী টেকসশিং অসিগী স্ট্রকচর নৈনবসি তঙাইফদবা ওইরকই । মরম অসিনা ফোক নেরেটিভসগী স্ট্রকচর নৈনবদা মরু ওইবা নৈনরোল অমা ওইরিবা ষ্টিথ থোমসনগী মোতিফ ইনদেকস ওফ ফোক লিটরেচর অসিগী নৈনরোল অসি ময়েক শেংনা খঙবা ঙমনবগী দমক পন্দুপ অসিদা মোতিফ অমসুং মোতিফকী মখলশিং অসিগী মশক তাকলগা তোঙান তোঙানবা মোতিফকী মখলশিংদু খায়দোকতুনা পীরি। অসিগুম্বা নৈনরোল অসিনা মণিপুরী ফোক নেরেটিভসগী মচলশিং অদু ময়েকশেংনা তাকপগা লোয়ননা মখল খায়দোকতুনা উৎলি। মসিনা মণিপুরী ফোক নেরেটিভসগী ওইবা মচলশিং অদু মশক খঙহনবগবা লোয়ননা মীনকেতননা মাগী সাহিত্যদা শীজিন্নরিবা অদুগী হৈশিংবা মশক অদু ময়েক শেংনা খঙবা ঙমনবগীনি।

থিসিস অসিগী অহুমশুবা পন্দুপতা **মীনকেতনগী ৱারেংদা ফোক নেরেটিভস** মিংথোনদুনা মীনকেতনগী ৱারেং সাহিত্যগী খুৎই অমসুং খুৎফোঙদোক অসি নৈনরি। মীনকেতনগী ৱারেং সাহিত্যদা ফোক নেরেটিভগী মচলশিং অসি মশাগী তোপ তোপ্পা স্টাইল অমগা লোয়ননা ৱারেংশিং অসিদা হৈশিংনা শীজিন্নরি। ৱারেংশিং অসিদা মীনকেতননা মতৌ করম্না মণিপুরী ফোক নেরেটিভগী মচলশিং শীজিন্নবগে হায়বদু পন্দুপ অসিদা

নৈনরি । নৈনবদা খুদোংচনবগী দমক মীনকেতনগী ৱারেংশিংগী মখল খায়দোকতুনা পীরি । মীনকেতনগী ৱারেং লাইরিকশিং অসি ক্রিতিকশিংগী মীৎয়েং চীংশিনজরগা চাওরাক্লা মখল মঙা থোক্লা খায়দোকই ,- মখোয়শিং অদুদি (১) ঐতিহাসিক্কী ওইবা ৱারেং (২) পুন্সিৱারীগী ওইবা ৱারেং (৩) চীনবুং ৱারীদা য়ুম্ফম ওইবা ৱারেংশিং (৪) মনিপুরী লোনগী ওইবা ৱারেং (৫) অচেৎইবা ৱারেং অসিনী । খায়দোকলিবা ৱারেংগী মখলশিং অসিদা ঐতিহাসিক্কী ওইবা ৱারেংগী মখলদা লৈরিবা **ঙাঙ্গোয়পরেং** অমসুং চীনবুং ৱারীদা য়ুম্ফম ওইবা ৱারেং লাইরিক **মৈতৈ লাঈরোল** (১৯৫০) দা মীৎয়েং চঙশিন্দুনা নৈনরি।

**মৈতৈ লাঈরোল**: মৈতৈ লাঈরোল মীনকেতনগী ৱারেং লাইরিকশিংদা অখন্নবা ৱারেং লাইরিকনি। লাইরিক অসি মণিপুরীশিংনা ঙসি ফাওবদা চৎনরিবা লাইনিং লাইশোল, চৎনবী, থাজনবীগী, ওইবা মচল কয়াম মরাং কায়না য়াওরি । লাইরিক অসি মরু ওইনা মিথকী মচাকশিংদা য়ুম্ফম ওইরগা ইরকপনি । লাইরিক অসিদা ৱারেং তরাতরুক য়াওরি। য়াওরিবা ৱারেংশিং অসিদা ফোকলোর নৈনবা পণ্ডিতশিংনা লাইতীনগী মখল খায়দোকতুনা পীরম্বা ৱারীশিং অদুগী মতুং ইন্না নৈনৈ।

**ঙাঙ্গোয় পরেং** : ঙাঙ্গোয় পরেং লাইরিকসি ৱারেং মঙাখক য়াওরি । ৱারেংশিং অদুদি মথং শিৎনা - (ক) পুনমচীং (খ) পোৎশংবম খোংনাং , (গ) ঙাঙোম ফূরা (ঘ) খোংনাং হোগায়বী (ঙ) অন্দ্রোগী মৈ অসিনি । পল্লিবা ৱারেংশিং অসি অয়াম্বনা মণিপুরীগী ঐতিহাসিক অমসুং ফোক নেরেটিভস অনীমক্কী মচাক মচলশিংনা চুংশিন্নরগা শাগৎলকপা ৱারেংশিং ঙক্তনি হায়বদু নৈনদুনা তাকলি ।

থিসিস অসিগী মরিশুবা পন্দুপতা **মীনকেতনগী শৈরেংদা ফোক নেরেটিভস** মিংথোনদুনা মীনকেতনগী শৈরেংগী খুৎই খুৎফোঙদোকতা য়াওরিবা মণিপুরী ফোক নেরেটিভগী মচলশিংবু পুথোকতুনা নৈনরি। অশাংবম মীনকেতন অনৌবা মণিপুরী সাহিত্যগী

শকনাইরবা কবি অমনি । মহাক্না মণিপুরী সাহিত্যদা শৈরেং লাইরিক কয়া খুদোল তৌবিরম্মী। মহাক্কী শৈরেং লাইরিকশিংবু মখল অনী থোক্না খায়দোকতুনা পীরি মদুদি - অতেনবা শৈরেং অমসুং অশাংবা শৈরেং অসিনী। অশাংবা শৈরেংশিংদা এপিক স্টাইলদা ইবা শৈরেংশিংদি **অশৈবগী নিতাইপোদ** (১৯৭৬), **অশৈবগী জয় ভাই** (১৯৭৮) অসিনি। লাইরিক অনি অসি খণ্ডকাব্যগী মত্তংদা শাগৎলকপনি । হীরমনা প্রেম হায়বসিদা কায়নবা অমসুং অৱাবনা শৈরোল ওইনা তেংথাজবনি । মীনকেতনগী শৈরেংগী তোপ তোপ্পা মশক খুৎই অমা লৈজে । মহাক্না মণিপুরী কাঙলুপকী য়েংহৌঙেদগী চীনবুংদা লীনদুনা লাকলিবা থাজনবীশিং অমসুং সংস্কৃতিগী ওইবা মচলশিং অসিবু অনৌবা মীৎয়েং অমসুং খুৎফোঙদোক অমগা লোয়ননা পুথোকতুনা উৎপসিনি।

থিসিস অসিগী মঙা শুবা পন্দুপতা **মীনকেতনগী দ্রামাদা ফোক নেরেটিভ্স** মিংথোনদুনা মীনকেতনগী দ্রামগী খুৎই অমসুং খুৎফোঙদোকতা ফোকনেরোটিভগী মচলশিং পুথোকতুনা নৈনরি। মণিপুরী সাহিত্যগী দ্রামাগী খোঙচত্তা থোরকখিবা দ্রামা ইবশিংগী মরক্তা মীনকেতনসু থোইদোকনা শিংথাবা য়াবা মীশক অমনি । মহাক্না মণিপুরী সাহিত্যদা দ্রামাগী লাইরিক অনী খুদোল তমলম্মী । মহাক্কী দ্রামাগী লাইরিক অনী অসি নৈনরুরগা চাওরাক্না মখল অনী থোক্না খায়দোকই। অহানবদা হিন্দুগী থাজ ৱারীদা মীৎয়েং থমদুনা ইবা দ্রামা (সীতা বনবাস) অনীশুবদা মণিপুরী চীনবুং ৱারীদা মীৎয়েং থমদুনা ইবা দ্রামা তোনুলাইজিংলেম্বী অসিনী। দ্রামা মখল অনী অসিদগী নৈনরুরিবা তোনু লাইজিংলেম্বী দ্রামা অসিদা মীৎয়েং থমদুনা নৈনৈ। অশাংবম মীনকেতননা ফুরুপ অসিগী চীনবুংদা লৈরিবা মোইরাং কংলৈরোলগী মনুংচনবা শায়োনশিংদগী শায়োন অমা লৌখৎতুনা য়াম্না ফজবা কল্পনা অমগা লোয়ননা ইথোরকখিবা দ্রামানি। দ্রামা অসি তাঙ্কক অহুম থোক্না খায়দোকই। পনবা য়াবদি চীনবুং

ৱারীগী মচল অমা ওইনা তোনু লাইজিংলেম্বী ৱারী অসি লেজন্দগী মনুংদা পরেসনেল লেজন্দগী মশকনি। অশাংবম মীনকেতননা মহাক্কী দ্রামা অসি পারসনেল লেজন্দদা মশাগী ওইবা হৈশিংলবা খুৎই অমসুং কল্পনাগা লোয়নননা ফজরবা ভার্স প্লে ( শৈরেং দ্রামা) ওইনা পুথোরকখিবনি ।দ্রামা অসিদা মীনকেতননা কদেং অমসুং তোনুগী অশেংবা নুংশিবগী মশক উৎপগা লোয়ননা মখোয় অনীগী নুংশিববু লৈবাক্কী য়াইফনবগী দমক্তা কৎথোকপা ঙম্বা অৱাংবা থাক্কী মীৎয়েং অমসু উৎনবা হোৎনরি। মায়কৈ অমরোমদা দ্রামা অসিগী ইবগী ফোর্ম টেকনিক অমসুং সাহিত্যগী মহাত্তরোমদা য়েংলবদি মসি ফোক দ্রামা অমনি।থিমদি মরৈবাক মরমদমগী দমক্তা অকন অথৌশিংগী কৎথোকলবা পুন্সিগী শক্তম হায়রসিদা য়ুম্ফম ওইরগা শাগৎপনি ।তোনু লাইজিংলেম্বী দ্রামা অসি ফোক নেরেটিভ্গী মচল য়াওরবা ফোক দ্রামা অমনি । থিসিস অসিগী পন্দুপশিং অসি নৈনরুরগা খঙবা ঙমবদি মীনকেতন ২০ শুবা চহীচাগী অহানবা দিকেততগী হৌরকলগা চহী চা অসিগী লোইরমদাই ফাওবগী মনুংগী মণিপুরী সমাজনা তাংকক কয়াদা লাকখিবা অহোংবগী শক্তমদু ময়েকশেংনা খঙবা মীশক অমনি হায়বদু থিসিস অসিদগী খঙবা ঙম্মী। লোয়ননা কবি মীনকেতন অসি ননসংস্কৃতাইজেসন , সংস্কৃতাইজেসন অমসুং রেস্তানাইজেসনগী মরক্তা হৌরক চাওরকখিবা মীওইনি হায়বদু খঙবা ঙমহল্লি। থিসিস অসিদা নৈনবগী মেথদ ওইনা ফোক নেরেটিভসগী টার্ম অসি শীজিন্নরি।টার্ম অসিবু ময়েক শেংনা সাইনটিফিক ওইনা নৈনবগী দমক ফোকনেরেটিভগী সংজ্ঞা অমসুং মখলনচিংবা খায়দোকই।অসুন্না মখল খায়দোকতুনা নৈনবসিনা মণিপুরী ফোকলোরগী পুকৈদা লৈরিবা নেরেটিভসগী মচলশিং অসি মালেমগী নেরেটিভস নৈনবগী মীৎয়েংরোমদগী বৈজ্ঞানিক ওইবা মওংদা নৈনবা য়াই অমসুং মরী লৈনবা মচাকশিং অদু মণিপুরীদসু মরাং কায়না ফংই হায়বসিসু খঙবা ঙম্মী । থিসিস অসিদা মরু ওইনা নৈনবগী মচাকশিং অসি মণিপুরী ফোক

নেরেটিভসগী মমি তাব লিটরেরি টেকসশিং অদুতা লৌখৎলি। মীনকেতনগী সাহিত্যগী টেকসশিংদা ৰারেং , শৈরেং অনীমক্তা নেরেটিভসগী মচলশিং মরাং কায়না য়াওরি হায়বসি মরীলৈনবা পন্দুপশিংদা নৈন খ্রে। নৈনখ্রিবা অসিদগী খঙবা ঙম্বদি মীনকেতন মোর্দন মণিপুরী লিটরেচরগী বিধাশিং অয়াম্বদা খুৎথারম্বা মীশক অমনি হায়বসিনী। তৌইগুম্বসু মহাক্কী ৰারেংশিং অসিদা মোর্দন সেন্সসিবিলিতি অসি মরু ওইবা মচাক অমা ওইনা শীজিন্নদে । মশাগী তোপ তোপ্পা ষ্টাইল অমগা লোয়ননা মণিপুরী য়েলহৌঙৈগী (indigenous ) চীনবুংদা লীনরকপা ( folk narratives) ৰারীশিংগী শক্তমদু থুগাইরগা মদুদা য়াওরিবা ফোক সাইন (folk sign) শিংদুতবু লৌথোকলগা মশাগী ওইবা ষ্টাইলদা ৰারেং ইরম্বা মীশকনি । অসিগা লোয়ননা মীনকেতননা ম ণিপুরী বৈষ্ণব লাইনিং চৎপা ইমুং মনুংগী চৎনবীদা হৌরক চাওরকখিবনা মহাক্কী খুৎইদা ননসংস্কৃতাইজ অমসুং সংস্কৃতাইজ অনী অসি চুংশিন্নরগা অনৌবা ষ্টাইলদা নেরেটিভ পোইম ইরম্বা অশৈবা অমনি হায়বদুসু নৈনবসিদা তাকলি। মায়কৈ অমরোমদা মণিপুরী নেরেটিভশিংবু মাগী ওইবা মওংদা ইথোকলম্বা অসিনা মহাকপু ( semi litterateur ) সেমি লিটরেটওর অমা ওইনা অতোপ্পা অমদনা নেরেটিভগী পুক্কৈদগী সাহিত্যগী মচাকশিং লৌখৎলগা মাগী ওইবা মওংদা শেম শাদুনা অনৌবা ৰাহম্বোক অমা পীরম্বা মীশক ওইবনা মীনকেতনবু দিকন্সট্রাকসনিস ( deconstructionist)অমা ওইনা শকখঙহল্লি ।খুদিংমক অসিনা মীনকেতনবু মণিপুরী মোর্দন সাহিত্যদা মায়থোংয়াম্বা ( polygon ) মীশক অমনি হায়বসি থিসিস অসিনা তাকই ।